হেল্থ ক্লিনিক থিংজিনখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অফঘানিষ্টানগী কানদাহর প্রোভিন্সতা লৈবা হেল্থ ক্লিনিক অমা থিংজিনখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে। লোকেল মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান্না ক্লিনিক অদু দোক্তর নুপাশিংনা নুপীশিংগা থবক তৌমিন্নৈ হায়দুনা থিংজিনখিবনি।

ফম থাদোক্লবা তকশিনখ্রে

তিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): লাইভ মিসন প্রোজেক্টকী মতাংদা গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবা ৰাফম খুদিমক মীনম্বা ওইরম্লে হায়রদুনা কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ন মফম থাদোক্লবা ওপোজিসন লিদর রামেস চেনিথালানা ইরাই নুমিত্তা দিমান্দ তৌখ্রে। সেন্টরনসু প্রোজেক্ট অদুগী ফাইলশিং শীন্নরক্লবা খঙহনখ্রে।

হান্নগী রিপব্লিকান সী আই এ, এফ বি আইগী মকোকশিং অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা বাইদেন শৌগৎলগনি

লোস এঞ্জেলিস, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): সী আই এ অমসুং এফ বি আইগী হান্নগী চীফশিং য়াওনা হান্নগী রিপব্লিকান নেসনল সিক্যুরিটি ওফিসল ৭০ হেনবনা দেম্মক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট জো বাইদেন শৌগৎলগনি হায়রি। মখোয়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু থবক্তা অরান-অহুই তৌই অমসুং লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৰাংবা ওফিস পায়দুনা থৌগল তৌবদা মতিক চাদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বাইদেনগী হান্নগী রিপব্লিকান নেসনল সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনি হায়বা গ্রুপ অদুদা রোনাল্ড রিগান, জোজ ঐচ দব্লিয়ু বুস, জোজ দব্লিয়ু বুস অমসুং ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা থবক তৌখিবা যু এস দিফেন্স অমসুং ইন্টেলিজেন্স ইষ্টাব্লিষ্টমেন্টকী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা রিপব্লিকান মেম্বর খরা য়াওরি। মীওই ৭৩গী অচৌবা গ্রুপ অদুদা নেসনল সিক্যুরিটি দিরেক্টর অমসুং সী আই এগী মকোক ওইনা থবক তৌরম্বা থবক্তগী পোথারবা জেনরেল মাইকেল হেদেন, সী আই এ অমসুং এফ বি আই অনীমক্কী মকোক ওইনা থবক তৌখিবা অমত্তা ঙাইরবা মীশক ৱিলিয়ম ৱেষ্টর, নেসনল ইন্টলিজেন্সকী অহানবা দিরেক্টর জোন নেগ্রোপোন্টে, নেসনল কাউন্টর টেরিজম সেন্টরগী হান্নগী দিরেক্টর মাইকেল লৈটর অমসুং হান্নগী এয়রফোর্স সেক্রেটরি মাইক দোনলি য়াওরি।

ট্রম্পগী নোমিনেসন কনভেন্সন হৌগদবা নুমিৎ ৩ নিগী মাঙওইননা গ্রুপ অদুনা মহাকপু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা দেম্মক্রেটিক কেন্দিদেট বাইদেনবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা অসিনা রিপব্লিকান প্রসিদেট অসিনা মশাগী পার্টিগী মেম্বর খরা মরু ওইনা ইন্টলিজেন্স অমসুং ফোরেন পোলিসি ভেটেরনশিংবু অদুক্কী মতিক পেলহন্দ্রে হায়বসি উৎলি হায়রি। ট্রম্পনা লৈবাক অসিবু লুচিংগদবা মীশক্তা চেনগদবা করেক্টর ৱাৎলি অমসুং খোঙথাং খুদিংমক্তা অরান-অহুইগী থৌওংশিং চথবনা মহাক প্রসিদেন্ট ওইনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবদা মতিক চাদ্রে হায়বসি উৎচখ্রে হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

নভালনি জর্মনিদা লায়েংনবা পুবদা ক্রেম্লিননা থিংই হায়না মীংচংশিংনা মরাল শীখ্রে

ওমস্ক, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): চা থক্লুবদগী ৱাখল তাদনা লৈখ্রবা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনিগী মীচংশিংনা রসিয়ন ওথোরিটিশিংবু মহাকপু লায়েংনবা জর্মনিদা পুনবা হোৎনবদা অথিংবা পী হায়না ইরাই নুমিত্তা মরাল শীখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক রসিয়াগী ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিবু লায়েংলিবা সাইবেরিয়াগী হোস্পিটাল অদু খুৎলায় মতিক চানা লৈতবনা মহাক্কী পুন্সি খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংবু কন্না ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকখিবা নভালনি শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা চা কপ অমা থক্লুবদগী অরুবা ফিভমদা লৈরকখিবনি। মহাক্না থক্লুরিবা চা অদু হূ হাপ্লম্বা য়াই হায়না মহাক্কী মীচংশিংনা থাজরি।

ওমস্কতা মহাকপু লায়েংলিবা দোক্তরশিংনা মহাক্কী ফিভম হৌখিবা অহিংদা খরমখৈ ফগৎলে অদুবু হৌজিকসু মখা তানা খুদোংনিংঙাই ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল অদুদা মহাকপু য়েংশিল্লিবা দেপ্যুটি হেদ দোক্তর এনাতোলি কলিনিচেনকোনা হৌজিক ফাওবগী টেষ্টশিংদা মশাদা হূগী পোৎশকশিং থেংনবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং নভালনিগী লোইনবী অমদি মহাক্কী স্পোক্সপর্সন্নদি হোস্পিটাল অদুগী দোক্তরনা হায়রিবা ৱাফমদু লাল্লি হায়খি।

ফাজিন্দুনা থল্লিবা মালিগী প্রসিদেন্ট যু এন টিমনা উনখ্রে

বমাকো, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): চয়োল অসিগী অঙনবদ মিলিটরি কূ অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা ওথোরিটিগী মায়োক্তা লাল হৌখিবা লান্মীশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা মফম তারবা মালিগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম বৌবকার কৈতা অমসুং অতৈ ওফিসলশিং হৌখিবা অহিংদা যু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসলশিংনা উনখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা বমাকোদা লৈবা যু এন মিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

À BAS
LA FRANCE
ET SON
GOUVERNEUR

নোংমৈ চীংন্দোলদা ফাজিনদুনা থমখিবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎপগা লোয়ননা মফম থাদোকখিবা কৈতা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী ৱা ঙাঙদনা লৈরক্লি। ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী লালহৌ থেংনবদা অৱাবা অমা ওইদুনা লাক্লবা লৈবাক অসিগী ক্রাইসিস লান্মীশিংগী লালহৌ অসিনা হেন্না লুশিনহনখি।

যু এন পীছ কিপ্পিং মিসন মিনুস্মনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, হ্যুমেন রাইটস টিম অদুবু কৈতা অমদি অতৈ দিটেনিশিং উনহনখি। তৌইগুম্বসুং ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিং অদুগী ফিভমগী মতাংদদি কুপ্না পনখিদে। কূ অদুগী মমাংদা কৈতাগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট কয়া লুচিংখিবা ওপোজিসন কোলিসন অমনা মীয়ামগী অচৌবা রেলি অমা পাঙথোক্লবা শীল্লিঙৈ চৈরক ইরাই নুমিত্তা কেপিটেলে বমাকোগী লম্বীশিং থংন-থংননা হুম্নি চনবা নুমিত্তসু ইহাং হাংখি।

পনবা য়াবদি, কূ অদুগী মতুংদা ওপোজিসন কোলিসন্না লালহৌরিবা লান্মীশিংবু শৌগৎখি। জনতা লিদরশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা মীখল পাঙথোল্লগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি। তৌইগুম্বসুং মিলিটরি লালহৌ অদুবু ইন্টরনেসনল অমদি রিজনেল পৱারশিংনা কন্দেম তৌনখি। মখোয়না কিরিবদি ওইরল্লিবা ফিভম অদুনা হান্নগী ফ্রেঞ্চ কোলোনি অমসুং ৱেষ্ট অফ্রিকাগী সহেল রিজন অপুনবা হান্নদগী লৈরক্লবা পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফিভম লুশিনহনবা য়াই হায়বসিনি।

কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা কূ অমনা মরম ওইদুনা নোরদর্ন মালিবু অল কাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংনা খুদম চনবা ঙমখিবনি।

বেলরসকী ওপোজিসন কাউন্সিলগী মেম্বরশিং ৱাহং-পাউহং তৌখ্রে

মিনস্ক, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): নৌনা শেম্বা ওপোজিসন কাউন্সিল অমগী মরু ওইবা মেম্বর অনী ইরাই নুমিত্তা ক্রিমিনেল কেস অমগা মরী লৈননা বেলরসকী ওথোরিটিশিংনা ৱাহং-পাউহং চথখ্রে।

FORCE
FARCE

ওপোজিসনগী বোদি অদুবু য়েৎনবা লৈখিবা মীখল অমগী মতুংদা প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর লুকাসেনকোদগী পৱার মুন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি।

কাউন্সিল অদুগী মরু ওইবা মেম্বর অনী মাকসিম জনাক অমসুং সর্হে দিলুস্কিনা ইনভেষ্টিগেসন কম্মিটিগী হেদ ক্বার্টরসতা ৱাহং পাউহংগীদমক্তা লাকপদা সপোর্টর কয়ামরুম লোইনরকখি। তুংদা ইনভেষ্টেগেটিভ কম্মিটিগী হেদ ক্বার্টরসতগী থোক্লক্লগা মশামক উকিল অমা ওইরিবা জনাকনা থোইদোক্না চিংননিংঙাই ওইদনা দিসকসন চথখি অমসুং মহাকপু ফানবগী মরম লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

সোভিয়েট যুনিয়ন কায়খিবদগী বেলরসতা খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস থোক্লকখিবগা লোয়ননা পৱার ট্রান্সফরগী নিগোসিএসন চথবা য়ানবগী পান্দমদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অদু চয়োল অসিদা লোঞ্চ তৌখিবনি।

চহী ২৬ পৱার পায়দুনা লাকখিবা লুকানসেনকোবু ওগষ্ট ৯গী প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি। তৌইগুম্বসুং মীখল অদুদা অরান-অহুই কয়া চথখি হায়রদুনা মীওই লিশিং কয়ানা লম্বীদা থোক্লুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

পুলিসনা অকনবা মওংদা ফাবা-পুনবগী থবক কয়া চথুদুনসু প্রোটেষ্টরশিংনা নীংহন্নখিদে। মীয়ামগী মরু ওইনা ওপোজিসনগী ইৱাং অদু হান্না লুকানসেনকোগী সপোর্ট বেজ নি হায়না লৌনদুনা লাকপা লৈবাক অদুগী অচৌবা ষ্টেট ফেক্তরিশিংদসু য়ৌখি। ৱর্কর কয়ানা মহাকপু মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

হেজিয়া সোফিয়াগী মথংদা টর্কিনা চোরা চর্চসু মোস্ক ওন্থোকখ্রে

অঙ্কারা, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগান্না ইষ্টাবুলগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা বাইজনটাইন বিল্ডিংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা চোরা চর্চ ইরাই নুমিত্তা মোস্ক ওন্থোকখ্রে।

মমিং লৈরবা হেজিয়া সোফিয়াদসু মুস্লিমশিংবু লাই খুরুম্বা হৌহনখিবা মতুং থা অমখক কান্নরগা চোরা চর্চ অসিবু মোস্ক ওন্থোকখিবনি। মমাংঙৈগী কোনষ্টানতিনোপল সিটিগী ৱালশিংগী মনাক্তা শাখিবা চোরাগী হোলি সেভিয়রগী চর্চ অদুদা বাইবলগী ৱারীশিংগী শক্তমশিং উৎলিবা ১৪ শুবা চহী চাগী বাইজানটাইন মোজাইকশিং অমসুং ফেস্কোশিং য়াওরি।

কুমজা ১৪৫৩ দা মুস্লিম ওতোমানশিংনা সিটি অদুবু খুদুম চল্লবা মতুংদা ৱালশিংদা য়াওরিবা শক্তমশিং অদু প্লাষ্টর তৌশিন্দুনা ফুমজিনখি। তৌইগুম্বসুং হেজিয়া সোফিয়াগুম্না বিল্ডিং অসিবুসু চহী ৭০ হেনবগী মমাংদা টর্কিগী সেক্যুলর রিপব্লিক্না ম্যুজিয়ম অমা ওন্থোকপদগী ৱালশিং অদুদা য়াওরল্লিবা শক্তমশিং অদু মীয়াম্না অমুক উবা ফংনরকখি।

ইস্লাম লাইনিংগা মরী লৈনবা এ কে পার্টিগী লুচিংবা ইর্দোগানবু টর্কিগী মুস্লিমশিংগী অশেংবা লুচিংবা অমা ওইনা খঙনরকখি অমসুং চহী ৮৬কী মনুংদা অহানবা ওইনা হৌখিবা থাদা হেজিয়া সোফিয়াদা পাঙথোকখিবা মুস্লিমশিংগী লাইশোন থৌরমদা মহাকসু লাই খুরুম্লিবা মীওই লিশিং কয়াগী মরক্তা য়াওশিনখি। থৌওং অদুবু চর্চ লিদরশিং অমসুং নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মখোয়না হায়খি মদুদি, হেজিয়া সোফিয়াবু মুস্লিমশিং খক্তগী লাই খুরুমফম ওন্থোকখিবা অসিনা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা য়েৎনবশিং নৎত্রগা য়ানদবশিং হেন্না লুশিনহল্লগনি। টর্কিস লোনদা কারিয়ে হায়না খঙনবা চোরাবু এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা চল্লাইবা ম্যুজিম অমা ওন্থোক্লবা গভর্নমেন্টনা কুমজা ১৯৪৫ দা লৌখিবা ৱারেপ অমা হৌখিবা চহীদা টর্কিস কোর্ট অমনা চৎনহনখিদ্রবনি।

ইরাই নুমিত্তা ইর্দোগান্না খুৎয়েক পীবা অমসুং টর্কিগী ওফিসল গজেটতা ফোঙলকখিবা ইদিক্ট অমনা করিয়ে মোস্ককী মেনেজমেন্ট রিলিজস এফেয়রস দিরেক্টরেটতা শীন্নরে অমসুং মোস্ক অসি লাই খুরুম্নগীদমক হাংবা য়ারগনি হায়না লাউথোকখি। ইর্দোগানগী ইরাই নুমিৎকী ইদিক্ট অদুদা চোরাদা অহানবা মুস্লিম লাইশোন থৌরম করম্বা পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা পনখিদে।

হায়দ্রোলিক পাৱর ষ্টেসন মৈ চাকপগী মতাংদা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

হায়দ্রবাদ, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): শ্রীসাইলম হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক ষ্টেসনদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্কী মতাংদা সী আই দি ইনক্বাইরি অমা চথনবা তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রসেখর রাওনা ইরাই নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

মহাক্না ওফিসলশিংদা থৌদোক অদুবু থিজিন্নবা অমদি ফেক্টশিং লেপথোক্লবা খঙহনখি। চীফ মিনিষ্টরগী দিরেক্সন অসিগী মতুংদা চীফ সেক্রেটরি সুমেস কুমারনা ওর্দর অমা থোক্লুনা সী আই দি এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস গোবিন সিংহবু ইনক্বাইরি ওফিসর হাপখ্রে। গোবিন সিংহদা মপুং ফাবা ইনক্বাইরি অম চথবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরদা রিপোর্ট সবমিট তৌরক্লবা খঙহনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থম্মোয় শোকনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মদু য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মৈ চাক্লবা ষ্টেসন মনুংদগী থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীওইশিং কন্ননবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবদুদা মহাক্না থম্মোয় শোকনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা অহিংদা তেলঙ্গনাগী নগাকুর্নোল দিষ্ট্রিক্টকী শ্রীসাইলমদা লৈবা গেনকোগী অন্দরগ্রাউন্দ হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পাৱর ষ্টেসনদা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ৯ থোক্লকপা য়াদনা লৈখিবনি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মীওই তরুক্কী অশিবা হকচাংশিং ফংলে অমদি থিবা ফংদ্রিবা অতৈ মীওইশিং ফংননবা মখা তানা কন্না হোৎনরি।

চীফ মিনিষ্টরনা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং অদুবু থুনা ফরকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না ওফিসলশিংদা অশোকপশিংবু খ্বাইদগী ফৱা ট্রিটমেন্ট ফংহন্নবা খঙহনবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা লায়েংমন অপুম্বা পুথোক্কনি হায়খি।

হান্নগী সী এম পোজিটিভ ওইরে

পনাজি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): গোৱাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস এম এল এ রবি নাইক ইরাই নুমিত্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নাইকনা কোরোনাভাইরস টেষ্টতা পোজিটিভ ওইবা অনীশুবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং মঙাশুবা ষ্টেট লেজিসলেটরনি। মমাংদা শগোলশেল নুমিত্তা সীটিং নেসলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ অমা ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর চর্চিল অলেমাও অমসুং মহাক্কী লোইনবী কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইদুনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি। বি জে পিগী এম এল এ নিলকান্দ হলারনকর, হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহরাস্ত্রৱাদি গোমনতক পার্টিগী এম এল এ সুদিন ধভালিকরসু চয়োলসিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইখ্রবনি।

কোলকাতাগী পুলিস ওফিসর লৈখিদ্রে

কোলকাতা, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): এসিষ্টেন্ট কম্মিসনর ওফ পুলিস অমা ইরাই নুমিত্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা কোলকাতাগী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কোলকাতা পুলিসকী সেন্ট্রেল দিভিজনদা এ সী পি অমা ওইনা লৈবা উদোয় সঙ্কর বন্দোপধ্যায় চয়োল খরগী মমাংদা রেস্পিরেটরি প্রোব্লেম খরগা লোয়ননা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখিবনি। ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী মহাক কোভিদ টেষ্ট তৌবা তাখি অমসুং টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরমখি।

খুদক্তা মহাক প্রাইভেট কোভিদ হোস্পিটাল অমদা হোংখি। হোস্পিটাল সোর্সশিংগী মতুং ইন্না বন্দেপধ্যায়দা এক্কিট রেস্পিরেটরি ইশ্যুশিংগা লোয়ননা হায় ব্লদ প্রেসর লাকখিবগী ফিভমশিং থেংনখি।

দোক্তর ১ শিখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা সী এমনা ওর্দর তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ২১, (এজেন্সি): মহিশুরু দিষ্ট্রিক্টতা কোরোনাভাইরস দ্যুটিতা লৈবা নঞ্জাগুদ তালুককী হেল্থ ওফিসর এস আর নগেন্দ্রনা সুইসাইদ তৌদুনা শিখিবনি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা কর্নাতাকাগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপানা ইরাই নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা মীচং-মীখাই নাইদনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথরগনি হায়না য়েদিয়ুরপানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না লুপা লাখ ৫০গী কম্পেন্সেসন পীবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা দোক্তর অদুগী ইমুংগী মীওই অমা লৈঙাক্কী থবক পীন্নবসু ওর্দর তৌখি। সেন্টরগী গাইদলাইনশিংগা চান্ননা মীনুংশিংগী মীৎয়েংদা লৈখিদ্রবা নগেন্দ্রগী ইমুংদা লুপা লাখ ৫০ কম্পেন্সেসন পীনবা ঐহাক্না ওর্দর তৌখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

নঞ্জানগুদতা তালুক হেল্থ ওফিসর ওইনা থবক তৌখিবা নগেন্দ্র থবক্কী প্রেসর খাংবা ঙমদ্রে হায়রদুনা শগোলশেল নুমিত্তা সুইসাইদ তৌখিবনি হায়রি। সোর্সশিংন ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী ইমুংনসু মান্নবা মরম পীখি।

চৈরকসিদা ডা. নগেন্দ্রনা শিখিবদু থাঙ্গৈশেংনা সুইসাইদ অমরা হায়বদু মহিশুরু পুলিস কম্মিসনর চন্দ্রগুপ্তনা কনফার্ম তৌবা লৈত্রি হায়রি।

মেদিকেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর কে সুদাকরনসু ডা. অদুনা শিখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগসন অমা চথরগনি হায়খি। সোর্স খরগী মতুং ইন্না দোক্তর অদু রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টশিংগী টার্গেট য়ৌবা ঙম্নবা জিলা পঞ্চায়টকী চীফ এগক্যুটিভ ওফিসরনা কন্না প্রেসর পীখি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কর্নাতাকাদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৭,৩৮৫ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ২,৫৬,৯৭৫ য়ৌখ্রে। লায়না অসিগা মরী লৈননা ইনৌ নৌনা মীওই ১০২ শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীশিং ৪,৪২৯ শুরে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিত্তা পেসেন্ট ৬,২৩১ নাবা ফদুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখি। অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ২,৯১২ তি বেঙ্গলুরু অর্বান এরিয়াখক্তগীনি।

ওফিস ওফ দ কম্মান্দেন্ট-৩২ বি এন সী আর পি এফ লৱার কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)

নম্বর সী-XVI-১/২০২০-২১-কান্টিন/৩২

টেন্দর নোটিস

টেন্দর লৌশিনবগী মতম — ০৯/০৯/২০২০ গী পুং ১১০০ ফাওবা
টেন্দর হাংবগী মতম — ০৯/০৯/২০২০ গী পুং ১২০০ দা
থমগদবা আর্নেষ্ট মনি — লুপা ৫০,০০০/-

যুনিট অসিগী জৱানশিংনা শীজিন্নবগীদমক্তা মখাদা পীরিবা যু মখলশিং অমদি মখোয়গী চাংশিং অসি সপ্লাই তৌনবগীদমক্তা সীল তৌবা টেন্দর প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা নোটিস অসি থোক্লিবা কম্মান্দেন্ট-৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাক, লোক্তাক (মণিপুর)দা থাজিল্লক্কবা অপাম্বা মীওইশিং নৎত্রগা পার্টিশিংদা খঙহঞ্জরি:-

সে/নম্বর	নোমেনক্লেচর	ক্বান্টিটি
১।	খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটিগী রম	কেস ৪৩০
২।	খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটিগী হ্বিস্কি	কেস ২০০
৩।	খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটিগী ভোদকা	কেস ২০
৪।	খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটিগী ৱাইন	কেস ১০
৫।	খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটিগী বিয়র	কেস ৫০
৬।	খ্বাইদগী ফৱা স্কোটচ	কেস ০৫
৭।	খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটিগী ব্রান্দি	কেস ০৫

ইন্সট্রক্সন/টর্মস অমসুং কন্দিসন্স

(টেন্দররশিংনা মখোয়গী ওফর/অকুপ্পশিং সবমিট তৌদ্রিঙৈদা ইন্সট্রক্সনশিং চেকশিন্না পাবীগদবনি)

০১। কন্ট্রেক্ট অসিগী মখাদা পর্চেজরদা সপ্লাই তৌগদৌরিবা মথক্তা পল্লিবা যু মখলশিং অসি খ্বাইদগী ফৱা ক্বালিটি, ৱর্কমেনসিপকীনি অমসুং হীরম খুদিংমক্তা অনৌবনি অমদি টেন্দর ফোর্মশিংদা য়াওরিবা/পল্লিবা অকুপ্পশিং অমসুং মিনিমম স্পেসিফিকেসনগী মতুং ইন্ননি হায়বসি টেন্দর অদুনা লাউথোক্কদবনি। করিগুম্বা সপ্লাই তৌরক্লিবা পোৎশকশিং অদু মথক্তা পল্লিবা মওংশিং অমসুং ক্বালিটিগা চান্নরমদবা থোক্লবদি রিজেক্ট তৌগনি অমসুং পর্চেজরগী ৱারেপনা হীরম অসিগী মতাংদা অরোয়বা ওইগনি অমদি চৎনগনি। লোয়ননা পর্চেজরনা টেন্দররদা অপীবা মতমগী মনুংদা অশোয়বা ষ্টোরশিং চুমথোক্লবা নৎত্রগা মহুৎ শীননবা খঙহল্লপসু য়াই।

০২। অসিগুম্বা অশোয়বা/হন্থবা ক্বালিটি ওইবা/দেমেজ তৌরবা ষ্টোরশিংগীদমক পর্চেজরনা টেন্দররদগী চাদিং খুদিংমক রিকোভর তৌবা য়াই অমসুং পোৎশকশিং অদু মশাগী রিস্ক অমসুং অচংমন তিংজবগী ফিভমদা ফার্মশিংদা হনগনি।

০৩। পর্চেজররনা ট্রান্জিৎ ইন্সুরেন্সকীদমক তোঙান্না পেমেন্ট তৌরোই অমসুং সপ্লাইয়রনা ষ্টোর অপুম্বা পুল্লপ ওইনা অমসুং ফিভম ফনা কম্মান্দেন্ট ৩২ বি এন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা দেলিভর তৌদ্রিফাওবা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌগদবনি। ট্রান্জিৎ মনুংদা ষ্টোরশিং মাঙবা নৎত্রগা দেমেজ তৌবা থোক্লবদি সপ্লাইয়ররশিংনা মদুগী থৌদাং লৌগদবনি।

০৪। টেন্দররদা কোট তৌরিবা মমল অদু অরেপ্পা ওইগদবনি অমসুং থা ৬ ফাওবগী ভেলিদিটি লৈগদবা দেলিভর চাজশিং/সেল টেক্স/ভেট এক্সসাইজ দ্যুটি অসিনচিংবা য়াওগদবনি। ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা থারকপা টেন্দরগী কোটেসনশিংদা পুম্নমক অসি তোঙান-তোঙান্না শেংনা পনগদবনি। মমলশিং লুপা/পৈশাদা পনগদবনি অমসুং ক্বান্টিটিসু য়াওগদবনি।

০৫। সী এস টি/ভি এ টি/এল সী নম্বরশিং ফার্মশিংনা কোটেসনশিং অদুদা শেংনা পনগদবনি। ঐখোয়গী টেন্দর ইনক্বাইরিদা রেস্পোন্দ তৌরকখিবা ফার্মশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভমশিংনা ০৯/০৯/২০২০ গী পুং ১২০০ তাবদা টেন্দর হাংবদা ঐচ ক্যু/৩২ বি এন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা লাকপিবা য়াই।

০৬। ঐখোয়গী নোটিসতা রেস্পোন্দ তৌরকখিবা ফার্মশিংনা টেক্নিকেল স্পেসিফিকেসন/ফিচর পুম্নমক য়াওবা মথক্কী ষ্টোর অসিগী সেম্পলশিং হংনিংবা ৱাহংশিংগা লোয়ননা থারক্কদবনি নৎত্রগা ০৯/০৯/২০২০ দা টেন্দর হাংবা মতমদা পুথোক্কদবনি।

০৭। টেন্দররশিংনা মখাগী দোক্যুমেন্টশিং অসি মখোয়গী কোটেসনশিংগা লোয়ননা সবমিট তৌরক্তবা তারবদি মখোয়গী টেন্দর অদু রিজেক্ট তৌগনি। চহী অমদগী হেন্দ্রিবা খ্বাইদগী নৌবা ভেলিদ সেল টেক্স ক্লিয়রেন্স সাটিফিকেটকী কোপি য়াওগদবনি। মান্নবা ষ্টোর টাইপকী সপ্লাই তৌবগী এক্সপিরিয়ন্স লৈরবা ফার্মশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।

০৮। কম্মান্দেন্ট ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)গী ফেভরদা কোটেসনশিং অদুগা লোয়ননা নেসনেলাইজ বেঙ্ক অমগী সী দি আর/এফ দি আর/বি জি/বি সীগী মওংদা লুপা ৫০,০০০ গী অর্নেস মনি দিপোজিৎ ঈ এম দি থারক্কদবনি।

০৯। টেন্দররশিংনা দিপোজিৎ তৌরকপা ঈ এম দিগা মরী লৈননা পর্চেজররদা ইন্টরেষ্ট পীরোই।

১০। মায় পাক্তুবা টেন্দররশিংগী ঈ এম দি য়ারিবমখৈ থুনা হল্লক্কনি। মরম অদুনা মতম চানা ঈ এম দি রিফন্দ তৌবা য়ানবা প্রি রিসিট চল্লান অমগা লোয়নন কোটেসনশিং থারক্লুবা টেন্দররশিংদা খঙহঞ্জরি।

১১। টেন্দর/কোটেসনশিং রেজিষ্টর পোষ্ট/কুরিয়র/স্পীদ পোষ্টকী খুত্থাংদ কম্মান্দেন্ট ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা থারক্কদবনি। খুৎনা টেন্দর/কোটেসনশিং শীন্নবা অমত্তা লৌশিল্লোই।

১২। রেট এপ্রুভ তৌরবা টেন্দররনা ষ্টোরগী মমলগী চাদা ২ দগী ৫ ফাওবা সিক্যুরিটি মনি ওইনা দিপোজিৎ তৌগদবনি। সিক্যুরিটি মনি ফংবগা টেন্দররদা ঈ এম দি হনগনি। কেস ওইনা সিক্যুরিটি দিপোজিৎ তৌবা য়ারোই। অপীবা মতমগী মনুংদা ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা মপুং ফানা সপ্লাই তৌবগী মখা পোন্না সিক্যুরিটি দিপোজিৎ হনগনি।

১৩। করিগুম্বা টেন্দররশিংনা টেন্দর য়ারবা মতুং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ষ্টোরগী মমলগী চাদা ৫গী সিক্যুরিটি মনি দিপোজিৎ তৌদবা তারবদি ঈ এম দি মৎকনি।

১৪। সপ্লাইয়রশিংনা ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা অপীবা মতম নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা (মখা তানা শাংদোক্তবগী ফিভমদা) ষ্টোর সপ্লাই তৌবা ঙমদবা তারবদি সিক্যুরিটি মনি মৎকনি। সপ্লাই থেংথবদা থাগী ওইনা সপ্লাই ভেল্যুগী চাদা ২ গী চাং ওইগদবা এল দি য়াওদনা দেলিভরিগী মতম শাংদোকপগী ৱাফম লৈরোই।

১৫। অপীবা অকক্লবা তারিখ অমসুং মতম হায়বদি ০৯/০৯/২০২০ গী পুং ১১০০ কী মতম লোইরবা মতুংদা লাকপা টেন্দর ফিভম অমত্তদা লৌশিল্লোই।

১৬। ফার্মশিংনা টেন্দরশিং নীংথিনা সীল তৌবা অমসুং ফার্মশিংগী এদ্রেস, টেন্দর নোটিস নম্বর, টেন্দরগী তারিখ অমসুং মতম বোল্ড লেটরনা মথক থংবা শরুক্তা থাবা এনভলপতা সবমিট তৌগদবনি নৎত্রগা থাগদবনি।

১৭। ষ্টোর/বিল মপুং ফানা ফংবা তারিখতগী পারগা থা ২ ফাওবগী মনুংদা ষ্টোরগী পেমেন্ট তৌবা য়াই।

১৮। ষ্টোর অদু ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)দা দেলিভর তৌগদবনি। ষ্টোরশিং অদু ৩২ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কোমকৈরাপ, লোক্তাক (মণিপুর)না হেক ফংবগা যুনিট অসিনা শেম্বা বোদ ওফ ওফিসরস অমনা চেক/টেষ্ট তৌগনি অমসুং ফত্তবা ক্বালিটিগী নৎত্রগা দেমেজ তৌরবা আইটেমশিং য়াওরম্লবদি ষ্টোর অদু রিজেক্ট তৌগনি অমদি অদুগুম্বা রিজেক্ট তৌরবা পোৎশকশিং অদু সপ্লাইয়রশিংনা মশাগী কোষ্ট অমসুং রিস্কতা লৌশিনজগদবনি।

১৯। ষ্টোরগী ক্বান্টিটি/দিমান্দ কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনা হন্থহনবা/হেনগৎহনবা য়াই।

davp 19111/11/0070/2021

কম্মান্দেন্ট ৩২ বি এন সী আর পি এফ